# ‘ইকায় খাংদগী কঙ কোৎলি!’

- এল ইবোমচা -

মৈগী চীং হায়বসি মতম কুইনা লৈনুংদা ওমদুনা লৈরিবা মৈ অমা মখোন থোক্লা মৈরি য়াওনা পোকখায়রকপা অদুবু কৌই। কুইরে মণিপুরদা মৈগী চীং অমা পোকখায়রক্কদবগী মনিল ৱা-ৱা কানা ঙাইদুনা লৈবা উরকপা। হায়বদি কৌব্রু চীংবু কৌপ্রা হিল রেঞ্জ অমসুং থাংজিং চীংবু থাংতিং হিল রেঞ্জ হায়না মমিং থোল্লকপগা লোয়ননা আ লাই হাক্তক্তগী মীগা লাইগা ইশম শম্নরিঙৈ মতমদগী মীতৈশিংনা খুভম য়ারগা লাই খুরুম্নদুনা লাক্লবা মফম অনী অসিদা লাই খুরুম্বা চঙবদা ম্যান্মারদগী নৌনা খুন্দাশিল্লকখিবা ফোরেন্নর কুকিশিংনা অথিংবা পীরকপা অসিনা খুদমনি। কুকিশিং অসিনা শাথীবগী চাংসি কয়ামুক য়াম্লা ৱাংবগে হায়রবদা মণিপুর, ইন্দিয়া অমসুং বৃটিশকী পুৱারীদসু য়াওবা নত্তবা অমসুং চিনহাই ওইনা হায়রম্বসু নত্তবদা এঙলো কুকি ৱারগীনি হায়বা নীংশিং য়ূম্বী অমা মণিপুরগী লৈমায়থক্তা য়ুংবা ঙল্লিবনি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা কুকি অইবা অমনসু মীতৈগী লমদি তম্পাক্কী স্কৱার কিলোমিটর ৭০০ কী পাক চাউবা লম অসিনি অতৈ লেমহৌরিবা লমশিং অসিনা মখোয়গী মপা মপুশিংনা মখোয়গীদমক থম্বীরম্বনি হায়না ক্লেম তৌবা ঙম্মী। মরম অসিনা চীংগী পাক চাউরবা লম অসিদা হৌরিবা উ-ৱাশিং মরূ য়াওনা শিৎ নান্না ফুক্তোকখ্রগা পোপি পাক শন্না থাবা, য়ূম তাশিন্দুনা অনৌবা খুল কয়া শেমগৎতুনা তৌনীং তৌনীংবা তৌদুনা ঙসিগী লৈঙাক অসি লাক্ত্রিঙৈ আ মমাঙঙৈদগী চথদুনা অদুম লাক্লে। মখোয়গী অসিগুম্বা কা হেন্না মনীং মখা তম্বগী শাজৎ অসি অসুম অসুম চথদুনা লাকপদুনা হন্দক্তা শ্রী এন বিরেন লাকপদগী অসিগুম্বা থবক অসি মখা তানা চথদনবা অথিংবা পীবগী মথক্তুদা গভর্ণমেন্টনা ৱার ওন দ্রগস লাউথোক্তুনা এম এল এ হুম্ফুমক ৱার ওন দ্রগসকী ৱারিয়র ঙাক্তনি হায়দুনা লাউথোকখি। অসুম্না শ্রী এন বিরেন গভর্ণমেন্টনা লাউথোক্লুবদগী মৈ হৌনা শাওরবা নার্কো কুকিশিংনা এপ্রিল ২৮, ২০২৩দা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা শ্রীএন বিরেননা শঙ্গাগদবা ওপন জিম মল্টি স্পোর্টস কমপ্লেক্স মৈনা তুম্নবা থাদুনা মাঙহন তাকহনখি অমদি অকনবা ঈরাং কয়া অমা শাগৎলক্তুনা হৌখিবা ঈরাংসিনা মৈগী চীং পোকখায়বগী অহানবা লাভা চেন্থরকপা নুমিত্তুমক্লি খনবা য়াই।

অশেংবদি শ্রীএন বিরেনগী গভর্ণমেন্ট অসিনা লৌখৎলক্লিবা ৱার ওন দ্রগসকী মখা পোন্না চথরক্লিবা পোপি পাম্বী থাবা য়াহন্দবা, প্রোটেক্সন ওফ রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া হায়রিবা থৌশিল অসিমক্তি তৌদবা য়াদ্রবা ঙাক্লি। থৌশিল অসি মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাকশিংনা তৌদবা য়াদবা থবক ঙাক্তনি খঙলবসু পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা খরা লৌনবা হোৎনবদা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙল্লমদবনি। অসিগুম্বা ফৎখিদ্রবা থবকশিং অসি কুমজা ১৯৯০/৯১গী মতম অদুৱাইদা ম্যান্মারদগী হুরান লোন্নাদা হাইজিল্লকপা নার্কো-চিন কুকিশিংনা মণিপুরগী চীংমাইশিং কোকথোক্লগা পোপি পাম্বী থাবা হৌরকখিবনি। মখোয় অসি মণিপুরদা লাক্ত্রিঙৈ মমাঙদা লৈরম্বা কুকি ইচিল ইনাওশিংসি পান, মাইরেন, খোংদ্রুম, শিঙ, য়াইঙং, উহৈ ৱাহৈ অমসুং লৌউ-শিংউ তৌজরগা ইচম চম্না লৈজরম্বনি। অদুগী মথক্তা মতম অদুৱাইদা নাগাগী মীশিং অমসুং খুল মশীংগা কুকিগী মীশিং অমসুং খুল মশীংগা চাংদম্নদুনা য়েংলুরবদি নাগানা শাথীনা মশীং হেল্লি। অদুবু ঙসিদি ম্যান্মারগী ফোরেন্নর কুকি মশীং খঙদনা মণিপুরগী চীংমাই শিনবা থুংবদা অনৌবা খুলশিং শেমদুনা লৈশিনখিবদগী কুকিনা মশীং শাথীনা হেনখ্রে। য়েলহৌমী ওইরিবা নাগাগী মীশিং অমসুং খুল মশীংদগী কুকিনা শাথীনা মশীং হেনখিবদগী চীংগী লমদা হান্ননা থানরম্বা মহৈ-মরোংশিংগী মহুত্তা পোপি পাম্বীশিং ঙাক্তা পাক্তক্লা থারকপদগী মণিপুরগী চীংমাই পূম্নমক শিৎ নান্না মরূ কোকখিবদগী মরুভুমি ওল্লে। মখল অমত্তগী নাপি-শিংবী অমসুং উ-ৱাশিং হৌবা উখিদ্রে। চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়া কয়াদা পোপিদগী হিরোইন দ্রগ শুংনবা ফেক্টরি কয়া লিংখৎনরক্লে। মসিনা মরম ওইরদুনা মণিপুরী ফূরুপ অসি অথুবা মতমদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা লুপখিদুনা মাঙলদ্রা হায়না মীপাইবা পোক্লবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর শ্রীএন বিরেননা পোপি পাম্বীশিং মপূং ফানা মাঙহন-তাকহন্নবা থৌশিল কয়ামরুম পায়খৎলম্মী। থৌশিল অসিনা মরম ওইরগা পোপি পাম্বী থাবদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা কুকিশিংদি মখোইদৌ প্রোক-প্রোক চাকপমখৈ শাওরবনা শ্রীএন বিরেনগী গভর্ণমেন্ট অসি ইন্থুনবা পাম্বে, লাল্লোং কয়া কয়া চঙশিল্লকই। অদুবু মখোয়না শীজিন্নরিবা পাম্বৈশিং অদুনা শ্রীএন বিরেন মীতৈ অমনি মরম অসিনা মীতৈশিংদা ওইনা ওনশিল্লগা লান তাশিনবনা কুকি হোমলেন্দসু ইরায় লায়না শেম্বা ঙল্লগনি অদুগা মনিং তম্না পোপি থাবা য়ারগনি খনবদগী অরোইবা চাংয়েংদা লান অসি তারকপনি। হায়বদি শ্রীএন বিরেন গভর্ণমেন্টকী চেকশিনবা ৱাংহৌবগী খুদোংচাবদু লৌরগা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা ইপিসেন্টর ওইরগা মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎতগী হান্নদগী প্রি-প্লান তৌরবা অচৌবা লাঞ্জাও অমা মৈগী চীং পোকখায়রকপগুম অতম্নবা মীতৈ ফুরূপকী মথক্তা লান অসি তাশিল্লকপনি। লান তাশিল্লকপা হায়বসিদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌবা হায়বসিগা লোয়ননা চৎমিন্নবসি মচৎ ওইবনা কুকিশিংনা নম্না খুন্দারিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল দিমাপুর নেসনল হায়ৱে নম্বর ২দা ব্লোকেদ চথবা হৌরকখি। ঙসিদি ব্লোকেদ অসি মতম কুইনা শাংনা চথরকপদগী মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মীপূম খুদিংদা চথবা ব্লোকেদ ওইরে, য়াম্না হন্থবা থাক্কী ব্লোকেদ ওইরে। মরমদি ঙসিগী লান অসিদি লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা য়েক্লবগী শোক্লবা লান নত্তে। হায়বদি ইন্দিয়া মনুংদা শোক্লবা লান অমনি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা লান তাশিনবা ঙম্বগী মথৌনা মরিংজেল লৈজদ্রগা খূৎলায় পায়দবা মীতৈশিংদা ওইনা তাইনরকপনি। শগোলনা লৌ চারগা ঈরোইদা তাইনবা থৌওংদুগা চপ মান্নে।

মতাং অসিদা ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা হায়নরম্বা ৱাহৈ খরদং হঙ্গৎনা নীংশিংমিন্নবা য়াই মদুদি মশক থীবা মী, ইকায় খঙদবা মী, অচোপ অরেম খঙদবা অমসুং শিবা কিদবা মীওইদগী চেকশিন্না লৈননবা হোৎনগদবনি হায়বসিনি। মসি ঙসি ‘সূ’ চৎনরিবা ম্যান্মারদগী মণিপুরদা হুরান লোন্নাদা লীৎশিল্লক্লগা লান্দাররিবা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিং অসিবুনি হায়বমক য়াই। হায়বদি ঙসি ঙসিমক মীতৈশিংদা লান্দারক্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিং অসিসু মশক থিবগী মতিক ইকায়বা খঙদে, অচোপ অরেম্বা খঙদে, শিবদা কিবিদে। থোক্লিবা লান অসি করম্না থোকখিবনো, করিদগী হৌরকখিবনো হায়বদু ৱাখল য়াওদবগী মতিক মশানা খঙজবা ঙমজদে। মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎতা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা পিছ সোলিদরিটি মার্চ রেল্লি চৎখিবা মনুংদা মীতৈশিংনা এঙলো কুকি ৱারগী গেট মৈ থারম্মী হায়বগী ওইদবা তোকঙা শন্দোক্লগা তোর্বুংদা লৈবা মীতৈশিংগী য়ূম পূম্নমক তুম্না মৈ থাদোক্তুনা খুল তুমহনবা হায়বসিবু তৌফম থোকপা থবক্লা? অদুগদি অকোনবদদি গেট মৈ থাবা মীদু খঙলকপদগী মখোয় মশেল ওনশিন্নদুনা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোকখিবগী পাউ তাখিবা লৈখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মালেমগী মীয়াম্না মখোয়গী ওইদা পাদবা মীরৈহৎকী মরমচৎশিং অসি খঙনরকপদগী তুক্কৎচবা মীৎয়েংদা য়েংবা হৌরক্লে। শোক্নরিবা লান অসি মীতৈ অমসুং কুকি ফূরুপ অনীগী লাননি নীংনরম্বদগী ঙসিদি নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা গভর্ণমেন্টতা তাইনবা ঙমদ্রগা মীতৈ মচা অমনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মীতৈশিংদা অতম্নবা লান্দাশিনবনি হায়বা ময়েক শেংলে। ঙসি ফাওবসিদা মালেমদা শোক্লখিবা অচৌবা লানফমশিংগী মনুংদা মহাভারতকী কুরু-ক্ষেত্রদা পান্দব অমসুং কৌরব অনীগী লান অসিসু অমনি। অদুক চাউখ্রবা লান অদুসু ফাওবদা শুপ্নতগী নুমিৎ তরানিপাল খক্তদা লোইশিনখি, অদুবু ঙসিগী লান অসিদি মণিপুর অপূনবগী লানসু নত্তবদা থা অহুম হেল্লবা ফাওবা শোক্লদুনা লৈরি। তৌবগীদি নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং লান অসিদা মায়থীরে হায়বা নহান্না খঙলবনি। নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পা মীকুপ্তা লান মায়থীরে হায়খ্রনি ইকায়বদগী চিফেৎ চিফেৎ নোংমৈ কপশিন্নদুনা শান্নরিবনি। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী পাউরৌ ‘ইকায় খাংদগী কঙ কোৎলি!’ হায়বদুনি। ●

# আইনগী মীৎয়েংদা : ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর হাপ্পা

- টি ঐচ কামিনি কুমার -

মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকপা লৈবাক অমদদি খ্বাইদগী মরু ওইবা অহানবা থবক্তি মীয়ামগী মীহুৎ খন্নবা পাঙথোকপা মীখলনা ওই। কাঙলোন চুম্না, অচান-মীরাই নাইদনা মীখল পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি নুংঙাই-য়াইফবা, তং-তাবা লৈঙাক অমা লৈবা ওইথোক্তে। মরম অসিদগী মীখল পাঙথোক্লবা লৈরিবা বোদি অসি মনীংতম্বা, চীরোল খারোল চঙদবা, আইনবু ঙাক্লা থবক তৌবা ঙম্বা অমা ওইনা লৈহল্লি। বোদি অদু মনীংতম্বা ওইহন্নবগীদমক বোদি অসিগী থবক থৌরম মায়পুননা পুগদবা মীশক অদুসু মনীংতম্বা মীশক অমা ওইবা তাই। হাপ্লিবা মীশক অদুনা লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টি অদুগী য়াকা য়েংদুনা মখোয়গী খূবামনুংদা লৈখ্রবদি কাঙলোন চুম্না মীখল পাঙথোকপগী আশা তৌনীংঙাই লৈতে অমসুং ওইথোক্তে। পার্লিয়ামেন্ট, এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লবা লৈরিবা ইন্দিয়াগী ‘ইলেক্সন কম্মিসন’ অসি কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লিংবা মনীংতম্বা বোদি অমা ওইহল্লি।

ঙসিদি কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লিংবা লোকল বোদিশিং ওইরবা ‘পঞ্চায়ট’ অমসুং ‘ম্যুনিসিপালিটি’ অসিগা মরী লৈনবা মীখল পাঙথোক্লবা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২৪৩ কেগী মখাদা লিংবা ‘ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন’ অসিসু মনীংতম্না লৈবগী তঙাইফদবা ৱাফম কন্সটিট্যুসননা ময়েক শেংনা পীরি। ‘পার্লিয়ামেন্ট’ অমসুং ‘এসেমব্লি’ গী মীখলশিংগা ‘পঞ্চায়ট’ অমসুং ‘ম্যুনিসিপালিটি’ গী মীখলগা য়েংনবদা অকোনবগী মীখল অসি তরাই তরাইনা লৌবগুম উই। মসি আইনগী ওইবা মীৎয়েংদদি চৎনবা য়াদবা অমা ওই। কন্সটিট্যুসননা য়ূম্ফম ওইরগা পঞ্চায়ট অমসুং ম্যুনিসিপালিটিশিংদা পীরিবা থৌদাংশিং অসি মীখল তৌরগা খনবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা পাঙথোক্কনি। কাঙলোন চুম্না খনখিদ্রবা মীহুৎনা মীয়ামগী য়াইফনবা লৈবা থবক থৌরমদা মপূক্রিং চঙলোই, মশাতগী ওইবা কান্নবা য়েংদুনা লৈথোকই।

মার্চ ১২, ২০২১দা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অহুম্না শাবা বেঞ্চ অমনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২৪৩ কেগী মখাদা লিংবা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী থৌদাং পূম্নমক পাঙথোক্লবা হাপকদৌরিবা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনরগী ফমদু করম্বা মীওইবু হাপকদগে হায়বগী রাই পী। রাই অসিগী মতুংইন্না ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনর ওইনা হাপকদৌরিবা মীওইদু ইন্দিয়া লৈঙাক নৎত্রগা ষ্টেট লৈঙাক্কী মখাদা ওফিস নৎত্রগা ফম পায়বা মীওই ওইবা য়ারোই। পঞ্চায়ট অমসুং ম্যুনিসিপালিটিগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা মীখলগীদমক ওইবনা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর ওইগদৌরিবা মীওইদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈতবা, মনীংতম্বা মীশক অমনা ওইগদবনি। ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর নীংখা তম্বা ওইগদবনি হায়বসি মহাকপু মাগী ওফিসতগী লৌথোক্লবা আর্টিকল ২৪৩ কে (২) গী প্রোভিজোনা ময়েক শেংনা তাকই। ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর অমা, মানা পায়রিবা ফমদগী লৌথোক্কে হায়রবদি হায় কোর্টকী জজ অমা ফমদগী লৌথোকপদা ইনগদবা চৎন-কাঙলোনশিং অদুমক ঙাক্লা নৎত্রগা মতুং ইনগনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মখাদা থবক তৌরিবা ওফিসর অমদা অসুক মরু ওইখ্রবা অমসুং মনীংতম্বা কন্সটিট্যুসনগী ওফিস অমগী মথৌবু শিন্নবা হায়বসি কন্সটিট্যুসনগী কায়ফদ্রবা য়াথংবু করেম কথায়নবনি। মসিমসু রাই অসিনা তাক্লি মদুদি রাই তারিবা খুদক্তগী আর্টিকল ২৪৩ কেগী মখাদা হাপ্পা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর ওইগদবা মীওইদু মনীংতম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক নৎত্রগা ষ্টেট লৈঙাক্কী ফম নৎত্রগা ওফিস পায়বা মীশক ওইরোইদৌবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক নৎত্রগা ষ্টেট লৈঙাক্কী ফম পায়বা ওফিসরনা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর ওইরবদি খুদক্তা ফমদু থাদোকহনগদবনি।

মথক্তা পল্লিবা রাই অসি সুপ্রিম কোর্টনা আর্টিকল ১৪২না পীবা শক্তি শীজিন্নদুনা তাবা রাইনি। মসিবু করিগুম্বা মরম অমনা থুগাইবা য়ারোই অমসুং ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। ঙসিদি সুপ্রিম কোর্টকী রাই অসি লৈবাক্কী আইন ওইরবনি। মসিবু ঙাক্লা চৎপা হায়বসি তৌফদ্রবা থৌদাংনি। আইনবু নাথৈরগা তৌনীং-তৌনীং তৌবা তারক্লবদি লৈবাক্কী য়াইফনীংঙাই ওইরোই।

সুপ্রিম কোর্টনা পীরিবা রাই অসিদা মীৎয়েং থল্লগা মণিপুর লৈঙাক্লা শেম্বা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নরগী ‘কন্দিসন ওফ সর্ভিস’ কী মরমদা শেম্বা রুলস নৈনবা য়াই। রুলস অসি মণিপুর পঞ্চায়টি রাজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন ৯৮না পীবা শক্তিগী মখাদা শেম্বনি। রুলস অসিগী রুল ৩ (৩) গী মতুংইন্না ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর ওইরিবা মীদুনা ছুটি লৌখিবা, মশা ঙমদবা নৎত্রগা করিগুম্বা মরম অমদগী মাগী ওফিসকী মথৌ মঙম পাঙথোকপা ঙমদ্রবা নৎত্রগা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নরগী ফমদু মশা শিখিবা, রিজাইন তৌবা নৎত্রগা মাগী মতম শুদুনা তোকখিদুনা ফমদু হাঙদুনা লৈবা মতমদা গভর্ণরনা মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসর অমবু ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর, মণিপুর ওইনা দিজিগনেট তৌবগী মরমদা পীরি।

রুল ৩গী সব-রুল (৩) সি লো অমসুং লেজিসলেটিভ এফ্যেরস দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা তাং ২৯/৬/১৯৯৬তা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হাপচিনখি। রুল ৩ (৩) গী মখাদা মণিপুরগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর, কয়া হাপখ্রে। রুল ৩ (৩) গী মখাদা হাপখিবা মণিপুরগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নরনা, মথৌ পাঙথোকপদা আইনগী ওইবা য়েৎনবা লৈখিদে। মসি হায় হায়দুনা তাং ১২/৩/২০২১দা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর হাপ্পগী মতাংদা পীবা রাই অদুগী মতুংদদি রুল ৩ (৩) গী মখাদা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর হাপ্লবদি মদু আইন্না য়াদবা মওংদা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর হাপ্পা ওইরগনি। তাং ১২/৩/২০২১গী রাইনা রুল ৩ (৩) অসি চৎনবা য়াদ্রবা রুল অমা ওইখ্রবনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি রুল ৩ (৩) অসি সুপ্রিম কোর্টকী রাইগী ওন্ন-তৌনবা অমা ওইখ্রবনি।

তাং ১২/৩/২০২১গী মতুংদগীদি সুপ্রিম কোর্টনা পীরিবা রাইদু লৈনা লৈনা রুল ৩ (৩) গী মখাদা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর হাপ্লিবা অদু আইন্না য়াদবদা নত্তনা হায় কোর্টতা সুপ্রিম কোর্টকী রাইবু শীংনদুনা থবক তৌবগীদমক কন্টেম্পট ওফ কোর্টকী থবক লৌখৎপীনবা হায়জবা য়াই।

মণিপুরগী ওইনা আই এ এস ওফিসর (মমিংদি পন্দ্রে) অমনা মণিপুরগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর ওইনা ফম পুরি হায়না পাউ ফংই। মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মসকী পর্সনেল দিভিজননা তাং ৩/৩/২০২৩দা থোকপা ওর্দরগী মতুংইন্নদি হায়রিবা আই এ এস ওফিসরসি মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর-কম-সেক্রেটরি ওইনা থল্লে হায়না পল্লি। তাং ৩/৩/২০২৩গী ওর্দর মতুংইন্না আই এ এস ওফিসর অদুনা মণিপুরগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর ওইনা করম্না থবক পায়বনো হায়বসি খঙবা ঙমদে। থৌওং অসি মথোং হুক্তবা, আইনবু শীংনবা খোঙথাং অমনি। আইনগী লম্দা লমজিং লমতাক তৌনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনা লো দিপার্টমেন্ট লৈরিবা অসিগী মথক্তা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৬৫গী মখাদা হাপ্পা এদভোকেট জেনরেল লৈরি। মণিপুরগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর হাপ্পগী মতাংদা এদভোকেট জেনরেলগা মণিপুর লৈঙাক্কা তানব্রা নৎত্রগা তান্নদব্রা হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রে। এদভোকেট জেনরেলগা তান্নরল্লবদি মণিপুর লৈঙাক্লা সুপ্রিম কোর্টকী রাইবু মীরাইরগা আইনগী মায়োক্তা তৌরিবা থৌওং অসি উবা ফংলমদবা য়াই।

আইন ঙাক্লা লৈঙাক্লি হায়বা খঙহন্নবা অমসুং উহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর হাপ্পগী মতাংদা লৈরিবা ৱাফম অসি য়েংশিনবীয়ু অমসুং আইননা পীবা ৱাফমশিং ঙাক্লা মণিপুরগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর হাপ্পীয়ু। পংথা থাদোক্লগা থম্বনা অফবা পুরক্লোই। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩

১) **“মিৎয়েংগী ৱাংমদা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

২) **“ৱাশক্লে ইমা নঙগীদমক/ঐখোয়নি অনৌবা য়ুগকী থোঙশঙবা/শঙগনি ভারতকী মালেম/অমত্তা ওইনা তিন্ননা/”** পীজরিবা ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? মহাক্কী লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) **“কামায়নী”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **“পিরাংনা চৈহৌই ঐবু”** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিকনি। অইবা অসি কনানো?

৫) **“ৱারীনি তুরেল ৱাংমগী”** হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ষ্টেটকী পাউ

# মণিপুরগী উকিল অমগী য়ুমদা এটেক তৌখিবগী থৌওং সুপ্রিম কোর্টকী বার এসোসিএসন্না কন্দেম তৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচএনএস):** ক্রিমিনেল কেস অমদা কুকি প্রোফেসর খাম খান স্বান হাওসিংগী কাউন্সেল ওইরুবগীদমক মণিপুরগী উকিল এস চিত্তরঞ্জনগী য়ুম অমদি ওফিসতা এটেক তৌদুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখিবগী থৌওংবু সুপ্রিম কোর্ট বার এসোসিএসন (এস সি বি এ) না কন্দেম তৌখ্রে।



থা অসিগী অঙনবদা মোব অমনা প্রোফেসর হাওসিংগী উকিল এস চিত্তরঞ্জনগী য়ুমদা এটেক তৌদুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখি হায়বা পাউ ফোঙনখিবনি। পাউ অদু ফোঙলকপদগী মহাক অমসুং ইম্ফালদা বেজ তৌবা অতৈ উকিল অহুম্না মণিপুর হায় কোর্টতা মখোয় হায়দ্রবাদ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর অদুবু রিপ্রজেন্ট তৌবা লেপ্লগনি হায়না খঙহনখি।

ঙসি পাস তৌখিবা রিজেলুসন অমদা সুপ্রিম কোর্টকী বার এসোসিএসন্না হায়রিবদি উকিলগী য়ুম অদুদা এটেক তৌদুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখিবগী পাউ অদু এসোসিএসন অসিনা য়াম্না হকচিন্না লৌই। থৌওং অদু উকিলশিংবু কিহন্নবা হোৎনবা অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ জষ্টিসতা খুৎ থিংজিনবনি। খোইরাং খোইশাওনরবা মীওই কাঙবু অমনা ময়ুম এটেক তৌখিবা উকিল অদুগীদমক্তা লেপ্লি হায়নসু এস সি বি এনা ফোংদোকখি।

এসোসিএসন অসিনা মখা তানা অকিবা পোকহল্লিবা উকিলশিংবু প্রোটেক্সন মতিক চানা পীননবা অমসুং এটেক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং থুনা ফাননবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি পুলিসতা তকশিনখি। বার এসোসিএসনগী মীফমদা লৌখিবা রিজোলুসন্না হায়রিবদি এস সি বি এগী উকিলশিং লিটিগেন্ট খুদিংমক অয়েৎপা অমত্তা লৈতনা রিপ্রজেন্ট তৌবা য়াই। কনাগুম্বশিংনা উকিলশিংবু পার্টি অমা রিপ্রজেন্ট তৌবা য়ারোই হায়না কিহনবা হায়বসি জষ্টিস ফঙহন্নবা হোৎনবগী থবক্তা খুৎ থিংজিনবগা মান্নে অমসুং অসিগুম্বা থৌওং অসি খ্বাইদগী অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবা মথৌ তাই।

সুপ্রিম কোর্টকী বার এসোসিএসন্না এস চিত্তরঞ্জনগীদমক্তা লেপ্লি অমসুং এসোসিএসন অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর পুলিসতা মরী লৈনবা উকিলশিংদা প্রোটেক্সন মতিক চানা পীবিনবা অমসুং মরাল লৈবশিংগী মায়োক্তা খুদক্তা ইফেক্তিব এক্সন লৌখৎনবা তকশিল্লি। হৌখিবা থাদা মণিপুরদা কাঙলূপকী ইরাং থোক্লিঙৈদা সুপ্রিম কোর্টনা কুকি প্রোফেসর অদুদা চয়োল অনীগী প্রোটেক্সন পীখিবনি।

# এন এস সি এন-কে নিকি সুমি গ্রুপ অমসুং সেন্টরগী সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট শাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচএনএস):** নেসনেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দগী নিকি সুমি ফেক্সন (এন এস সি এন-কে নিকি) অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মরক্তা তৌনরিবা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট মথং চহীগী সেপ্টেম্বর ৭ ফাওবা হায়বদি মখা তানা চহী অমগসু শাংদোকখ্রে।

সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট শাংদোকপগী য়ান-ৱারোল অদু ঙসি পার্টি অনীমক্লা ন্যু দেল্লিদা খুৎয়েক পীনখি। এন এস সি এন-কে নিকি সুমিগী টিম অদু অবেল জিঙ্গু থুয়েরনা লুচিংখি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেসকী এদিস্নেল সেক্রেটরি পিয়ুস গোয়লনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌখি।

এগ্রিমেন্ট অদুদা পার্টি অনীনা নাগালেন্দদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট অদুবু শাংদোকপগী ৱাফম য়ানখি। সিজ ফায়র অদু নাকল অনীনা য়ানখিবা অমসুং খুৎয়েক পীনখিবা রুলশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা চৎনহনগদৌরিবনি। সিজ ফায়রগী গ্রাউন্দ রুলশিংসু নাকল অনীমক রিভিয়ু তৌমিন্নবগা লোয়ননা পার্টি অনীমক্লা এমেন্দ তৌমিন্নগনি হায়রি।



HL-B/8193/1 Aug to 29 Sept

# ‘ক্বা সুপারি স্মগ্লিংগী থবক মায় পাকহনখিদ্রে’

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচএনএস):** হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা অথিংবা থম্বা পোৎলমশিং বোর্দর লান্না নারোনদগী পুশিন্নবা হোৎনখিবা অমা অসাম রাইফল্‌সনা মায় পাকহনখিদ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) না ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলদা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবদি পি বি সি পি লম্থুইদা রুটিন ওইনা গাড়ীশিং ইন্সপেক্সন চথবদা চ্যেক পোইন্টগী পর্সনেলশিংনা ত্রক অমা অমদি মীওই অমগী থৌওংদা চিংনবা পোক্লকখি।

পর্সনেলশিংনা গাড়ী অদুদা মপুং ফানা থীবা হুম্বা চথবদা ব্লেক মার্কেটতা থাদোক্লবগীদমক লোনা য়াদবা মওংদা ইম্ফালদগী দিমাপুরদা য়াম্লবা ক্বা সুপারিশিং পুরম্বা থেংনখি। পুন্না লুপা লাক্ষ ২৪ গী ওইগদবা ক্বা সুপারি বেগ ২০০ ফাখি অমসুং পোৎলমশিং অদু ফোরেষ্ট বিট ওফিসতা শীন্নখি।

ক্বা সুপারিগা কোন্নন ফারবা মীওই অদুদি দিমাপুরদগী নিরুল হক কৌই। মহাক মখা তাবা ৱাহং পাউহংগীদমক সি ঐচ ও ফিন্স কোর্নরদা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱারোক চীংখোংগী এরিয়াদা নোংমৈ অমদি অতৈ খুৎলায়শিং লৈরে হায়বা থাজবা য়াবা ইন্টলিজেন্সকী পাউ ফঙবদগী এ আর অমসুং মণিপুর পুলিসকী এস ও জিগী অপুনবা টিম অমনা ঙরাং থীবা হুম্বা চথবদা এস এল আর অমা, গ্রেনেদ ২ অমদি অতৈ খুৎলায় কয়াসু ফঙখি হায়রি।